

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*খুৎ শোকপদগী রেস্লিং ট্রাইয়েলসতা শরুক য়াররোই ফোঙদোরকখ্রবা অনীরক ওলেম্পিক্স মেডল লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী সুসিল কুমার*

*খূউ শোকপদগী সর্জরি তৌগদবা মরম্না ইন্টরনেসনেল হোক্কীদগী পোখারে লাওথোকখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমগী দিফেন্দর সুনিতা লাক্রা*

## ৮শুবা সিদেদ ওইরিবী লিফটর মিরাবাই চনু টৌকিও গেমসকী লমজেলদা য়াওরি



*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০২ (এজেন্সি)ঃ*

মমাঙদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবী মণিপুরগী নুপী ৱেঠলিফটর নৌনা ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) না লাওথোরকখিবা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন রেঙ্কিং দা ৮শুবা সিদেদ ওইদুনা টৌকিও গেমসকী লমজেলদা য়াওরি।

মশাগী চহী ২৫ শুরবী মিরাবাই চনু ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন অসিদা কেজি ৪৯ গী কেটেগোরিদা কম্পিট তৌগনি। মহাক্না পুন্না রেঙ্কিং পোইন্ট ২৯৬৬.৬৪০৬ ফংদুনা ওলেম্পিক ক্বালিফিকেসন অসিদা ৮শুবা সিদেদ ফংখিবনি।

টৌকিও গেমস অসিদা ক্বালিফাই ওইনবগীদমক লিফটর অমনা থা ৬ / ৬ কী ওইবা পেরিয়দ ৩ খাইদোক্তুনা ২০১৮ নবেম্বরদগী ২০২০ এপ্রিল থা ফাওবা চথগদৌরিবা ইভেন্টশিংগী মনুংদা য়ামদ্রবদা ইভেন্ট অমমম য়াওবা মথৌ তারি। লোয়ননা য়াওগদৌরিবা ইভেন্টশিং অদুদা য়ামদ্রবদা গোল্ড অমা অমসুং সিলভর লেবেল ইভেন্ট য়াওরি।

হৌজিক পীরিবা রেঙ্কিং পোইন্ট অসি লিফটরশিংনা ইভেন্টশিংদা শরুক য়াবগী মতুং ইন্ননি। মিরাবাই চনু খ্বাং নাবনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ শরুক য়াবা ঙমখিদে। মসিনা মহাক্কী রেঙ্কিংদা হন্থনা ফংবনি হায়না নেসনেল কোচ বিজয় শর্ম্মনা ফোঙদোকখি।

খ্বাং নাবদগী ফরক্লবা মতুং মমাঙ চহীগী এপ্রিল থাদা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াবদা মেডল ফংবা ঙমখিদে। অদুবু সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা মিরাবাই চনুনা স্নেটচতা কেজি ৮৭ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১৪ পুন্না কেজি ২০১ থাঙ্গৎতুনা কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

মিরাবাইনা ওলেম্পিক ক্বালিফায়িংগী সিলভর লেবেল ইভেন্ট ওইরিবা কাটার ইন্টরনেসনেল কপ্তা পুন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। কেজি ৪৯গী কেটেগোরিদা চাইনাগী লিফটর ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন অমসুং রেকোর্দ হোল্ডর হৌ ঝিহুইনা পোইন্ট ৪৭০৩.১৯৮২ ফংদুনা রেঙ্কিংদা মকোক ওইরি। চাইনাগী অতোপ্পা লিফটর জিয়াং হুইহুৱানা পোইন্ট ৪৬৬৭.৮৮৭৮ দা অনীশুবা মফম কল্লি।

নুপাগী কেজি ৬৭ দা য়ূঠ ওলেম্পিক্স গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী জেরেমী লালরিন্নুঙ্গা পোইন্ট ২৩১০.৯৬৫৩ দা ৩২শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী দিফেন্দর সুনিতা লাক্রা ইন্টরনেসনেল হোক্কীদগী পোখাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমদা দিফেন্দর ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বী সুনিতা লাক্রা খূউদা শোক্তুনা মখা তানা সর্জরি তৌগদবা মরম্না ইন্টরনেসনেল হোক্কীদগী পোখারগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

মশাগী চহী ২৮ শুরবী ইন্দিয়াগী দিফেন্দর অসিনা মঙজখিবা টৌকিও ওলেম্পিক্সকী মঙলান অদু মহাক্কী অশোকপা অদুনা মঙফাওনহনবা ঙমদ্রে হায়না লাক্রানা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি।

সুনিতা লাক্রা কুমজা ২০০৮ দগী হৌনা ইন্দিয়াগী নেসনেল নুপী হোক্কী টিমদা শরুক য়াবা হৌরকখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম লুচিংদুনা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা রন্নর্স অপ তাহনবা ঙমখি।

কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না সিলভর মেডল লৌখিবদা মহাকসু অচৌবা থৌদাং লৌখি। কুমজা ২০১৪ গী এসিয়ান গেমসতসু সুনিতা লাক্রা য়াওখিবা টিম্না ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

সুনিতা লাক্রানা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনেল মেটচ ১৩৯ শান্নবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না চহী ৩০ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ২০১৬ রিও ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা ঙমখি। রিও ওলেম্পিক গেমসকী ইন্দিয়াগী টিম অদুদা মহাক য়াওবা ফংখিবা অদুদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইবা ফাওখি।

২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টৌকিও ওলেম্পিক গেমসতা ঐহাক শরুক য়াবা পামখি অদুবু মহাক্কী অশোকপগী ফিভম অসিনা ঐঙোন্দা নিংহন্নবা পোকহল্লে হায়না সুনিতা লাক্রানা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মহাক্কী অশোকপা অসিগীদমক ডোক্টরদা তোয়না হাংখি মদুদি করম্বা মতমদা মপুং ফানা মহাক ফবা ঙমগদগে হায়না। মহাক্কী অশোকপা অসি মতম খরা চঙগদবা মরম্না টৌকিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈখিবদগী মহাক্না ইন্টরনেসনেল হোক্কীদগী পোখারে হায়না লাওথোরকখিবনি।

অশোকপা ফগৎলক্লবা মতুং দোমেষ্টিক হোক্কীদা শরুক য়াদুনা মহাকপু শেম্বীরকখিবা নালকোদা শান্নগনি হায়না লাক্রানা ফোঙদোকখি।

## আর্চরি এসোসিয়েসনগী মীখল জনুৱারী ১৮ দা পাঙথোক্লগনি

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০২ (এজেন্সি)ঃ*

মচেৎ তারুরবা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এ এ আই) গী মীখল থা অসিগী ১৮ দা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙ চহীগী জুন ৯ দা ন্যু দিল্লি অমসুং চান্দিগরদা পাঙথোকখিবা আর্চরি এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী মীখল অনী পাঙথোক্তুনা ভি কে মলহোত্রা অমসুং বি ভি পি রাওগী গ্রুপ অনী থোক্তুনা প্রসিদেন্টকী থৌ পুদুনা লাকখিবনি।

মসিগী মতুং আর্চরিগী ৱার্ল্ড বোদিনা চহী অসিমক্কী ওগষ্ট থাদা ইন্দিয়াগী আর্চরি এসোসিয়েসনবু ইন্টরনেসনেল কম্পিটিসন্দা শরুক য়াবদা অথিংবা থমদুনা লাকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা ২০২০ টৌকিও গেমসতসু ইন্দিয়াগী আর্চরশিং শরুক য়াহনবদা অথিংবা থমখি।

মমাঙ চহীদা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা পাঙথোকখিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী আর্চরশিংনা ন্যুত্রেল ফ্লেগকী মখাদা শরুক য়াখিবনি। চেম্পিয়ন্সিপ অসিনা ইন্দিয়ানা গোল্ড ১, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ ফংবা ঙমখিবনি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবর অমসুং নবেম্বর থাদা দিল্লি হায় কোর্টনা পাস তৌখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ষ্টেট ৩১ গী এসোসিয়েসনশিংনা ইলেক্টোরেল রোল শেমদুনা মীখল পাঙথোক্লবা লেপখিবনি। অদুবু ইলেক্টোরেল রোল অসিদা উত্তর প্রদেশ, বিহার, হিমাচল প্রদেশ, পঞ্জাব, জম্মু এন্দ কাশ্মীর অমসুং নাগালেন্দগী আর্চরি এসোসিয়েসনশিং দি য়াওবা ঙমখিদ্রে।

## ওলেম্পিক্কী চহী অসিদা নাদানা ইন্দিয়াগী এঠলেটশিংদা ৱার্নিং তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০২ (এজেন্সি)ঃ*

২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টৌকিও ওলেম্পিক গেমসকী য়েংলগা নেসনেল এন্টি দোপিং এজেন্সি (নাদা) না লৈবাক অসিগী রোর্দমেপ শেমদুনা ইন্দিয়াগী এঠলেটশিংদা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিনা নাদাগী ওইনা খ্বাইদগী থবক চিনবনি। ২০২০ টৌকিও ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী এঠলেটশিংবু দোপ ফ্রি ওইহন্দুনা শান্নবদা শরুক য়ানবগী পান্দম থল্লি। পান্দম অসি য়ুম্বু লৈবাক ওইগদৌরিবা জপানগী ওইনসু অচৌবা শিংনবা অমদি হায়না নাদাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চৎলিবা চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা অচৌবা স্পোর্টস ইভেন্টশিং হায়বদি নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল গেমসশিংদা দোপ টেষ্ট নীংথিনা তৌবনা নাদাগী পান্দম ওইরি।

নাদানা দোপ টেষ্ট তৌগদৌরিবা গেমসশিং অদুগী মনুংদা গুৱাহাটিদা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস, ভুবনেশ্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস, ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টৌকিও ওলেম্পিক গেমস অমসুং গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল গেমসনি। লৈবাক অসিগী শান্নরোইশিংনসু মশা-মশাগী মপাঙ্গলনা কন্না হোৎনদুনা মেডল ফংনবা হোৎগদবনি হায়না নাদাগী মায়কৈদগী খঙহনখি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৮৮ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | O | A | D | | T | A | R | T | | A | D | O | R | E |
| E | Z | R | A | | O | L | E | O | | R | O | P | E | D |
| L | O | O | M | | R | E | S | T | R | I | C | T | E | D |
| I | N | M | A | T | E | | T | E | E | S | | S | L | Y |
| C | E | A | S | E | | S | A | D | D | E | N | | | |
| | | | K | N | E | L | T | | S | N | E | E | R | S |
| U | P | S | | S | L | E | E | T | | | E | X | I | T |
| S | U | P | R | E | M | E | | R | A | T | R | A | C | E |
| E | R | I | E | | | P | R | O | B | E | | M | E | W |
| R | E | N | A | M | E | | A | L | E | R | T | | | |
| | | | D | E | R | A | I | L | | S | E | A | R | S |
| I | R | A | | L | O | I | N | | A | E | R | I | A | L |
| C | O | N | F | E | S | S | I | O | N | | E | D | G | E |
| E | D | D | I | E | | L | E | N | T | | S | E | E | D |
| R | E | S | T | S | | E | R | A | S | | A | D | D | S |


# FOCUS
The Conceptual study Circle
Lalambung Makhong Near Lalambung pung RIMS Road

*Focus study circle in association with Mastermind Abacus Lalambung Centre, aims at shouldering the responsibility of your child for the complete preparation of their school syllabus. It aims at identifying the weaker subject of your child and providing a conceptual guidance to make the child step forward with confidence.*

Admission is going on for the session 2020-2021



- Starting with Class I to X (CBSE & Manipur Board)
- Class timing 4:45 to 7:45p.m.
- Covering all subjects.
- Conceptual class on weak subject
- Self study hour under the supervision of teachers.
- Weekly Exam on every Sunday.
- Managing the school task done in their respective classes with a schedule and scientific way of revision method.
- Experience Teachers and Guest Faculties for Exam preparation.

For Further information pliz Contact # 9774770388

SL/5669/3+15 days



# MEIKLEY International School
ESTD. 2016

ADMISSIONS OPEN

HURRY UP



Curriculum supported by BUBBLES KIDS (A Globally Recognised)

Classes Pre-Nursery to Class III

2020-2021

Class Starts from 23rd Jan, 2020 THURSDAY

Vacancy : 4 LADIES TEACHERS

For details, just dial : 8787880819 9774770388

Lalambung Makhong, Near Lalambung Pung RIMS Road, Imphal -1

meikleyinternationalschool@gmail.com

SL/5669/3+15 days


**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**

Regd. Office: 3rd Floor, New Directorate Building near 2nd M.R. Gate, Imphal-Dimapur Road, Imphal, Manipur – 795001

CIN:U40101MN2013SGC008343

**NOTIFICATION**

Imphal, the 31st December, 2019

/3048-54

**No. 6/79/2018-19/MSPDCL (HR)/Pt-I:** In continuation of this Office Notification of even number dated 13/06/2019, it is hereby notified for general information of all intending and eligible Candidates that the Written Examination and Centre-Wise Allotment of Roll Numbers for Direct Recruitment of Group C and D posts in Manipur State Power Distribution Company Limited (MSPDCL) which was put on hold is now re-scheduled on 08/01/2020, 09/01/2020 and 12/01/2020 and listed in the Annexure as per the table below:

| Sl. No. | Test Group | Name of the Posts | Date | Time | Test Centre |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Common Test 3 | i) Junior Technical Assistant<br>ii) Watchman cum Cleaning Assistant<br>iii) Office Assistant | 08/01/2020 | 9:30 AM to 12:00 PM (Morning) | Annexure-A |
| 2 | Common Test 1 | Computer Operator | 09/01/2020 | 9:30 AM to 12:00 PM (Morning) | Annexure-B |
| 3 | Common Test 2 | i) Meter Reader cum Bill Distributor<br>ii) Junior Establishment Assistant<br>iii) Bill Assistant | 12/01/2020 | 9:30 AM to 12:00 PM (Morning) | Annexure-C |

2. Request for change of Examination Centres will not be permitted under any circumstances. **General instruction to the Candidates** may be downloaded from the Manipur Government website www.manipur.gov.in and MSPDCL website www.mspdcl.com.

3. This Notification is uploaded in the Manipur Government website www.manipur.gov.in and MSPDCL website www.mspdcl.com.

Sd/-
(L. Priyokumar Singh)
Managing Director, MSPDCL

SL/B(EMINGSEL)/1 &3

**LIST OF EXAMINATION CENTRES**

**COMMON TEST - 3 ON 08/01/2020 (9:30 AM - 12:00 PM) — ANNEXURE-A**

| Sl. No. | Examination Centre | ADDRESS | ROLL.NO |
|---|---|---|---|
| 1 | GP Women College | Old Lambulane | 300001-300600 |
| 2 | Hundred Flower Hr. Sec. School | Pangei | 300601-301100 |
| 3 | Johnstone Hr. Sec. School | B.T. Road | 301101-301700 |
| 4 | DM College of Science | Thangmeiband | 301701-302300 |
| 5 | DM College of Arts | Thangmeiband | 302301-302900 |
| 6 | DM College of Commerce | Thangmeiband | 302901-303200 |
| 7 | DM College Teachers' Education | Thangmeiband | 303201-303500 |
| 8 | Modern college | Porompat | 303501-303800 |
| 9 | Brighter Academy | Checkon | 303801-304100 |
| 10 | CC Hr. Sec. School | Konung Mamang | 304101-304400 |
| 11 | Maharaj Bodhachandra (M.B.) College | Palace Compound | 304401-304700 |
| 12 | R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya | Pangei | 304701-305100 |
| 13 | Imphal College | Airport Road | 305101-305400 |
| 14 | HRD | Ghari, Airport Road | 305401-305900 |
| 15 | Imphal Valley Academy | Ghari Awang Leikai | 305901-307200 |
| 16 | St. Anthony High School | Chingmeirong | 307201-307500 |
| 17 | COMET School | Changangei, Uchekon | 307501-308100 |
| 18 | St. Joseph High School | Sangaiporou | 308101-308700 |
| 19 | Manipur College | Singjamei, Chingamakhong | 308701-309000 |
| 20 | Lamlong Hr. Sec. School | Lamlong Bazaar | 309001-309300 |
| 21 | Model Hr. Sec. School | Takyel | 309301-309600 |
| 22 | Oriental College | Takyel | 309601-309900 |
| 23 | Nirmalabas | MG Avenue | 309901-310200 |
| 24 | Ibotonsana Girls Hr. Sec. School | Uripok | 310201-310500 |
| 25 | MEM Hr. Sec. School | Ghari | 310501-310800 |
| 26 | Wangkhei High School | Wangkhei keithel Ashangbi | 310801-311100 |
| 27 | Nongpok Maheikol | Bhramapur Aribam Leikai | 311101-311400 |
| 28 | Temple of Learning | Canchipur | 311401-312000 |
| 29 | Standard Robarth Hr. Sec. School | Canchipur | 312001-312400 |
| 30 | Liberal College | Luwangshangbam | 312401-313000 |
| 31 | St. George High School | Wangkhei, Sagaipat | 313001-313600 |
| 32 | Millennium Institute of Sciences | Kwakeithel Mayaikoibi | 313601-313900 |
| 33 | The Eden Public School | Wangkhei Ayangpalli Road | 313901-314220 |
| 34 | Regular English High School | Kwakeithel heinou Khongnembi | 314221-314620 |
| 35 | ISOR | Canchipur | 314621-314920 |

**COMMON TEST - 1 ON 09/01/2020 (9:30 AM - 12:00 PM) — ANNEXURE-B**

| SL.NO | EXAMINATION CENTRE | ADDRESS | ROLLNO |
|---|---|---|---|
| 1 | TG. Hr. Sec. School | Old Lambulane | 100001-100400 |
| 2 | Johnstone Hr. Sec. School | B.T. Road | 100401-101000 |
| 3 | Ibotonsana Girls Hr. Sec. School | Uripok | 101001-101500 |
| 4 | DM College of Science | Thangmeiband | 101501-102000 |
| 5 | DM College of Arts | Thangmeiband | 102001-102500 |
| 6 | DM College of Teacher Education | Thangmeiband | 102501-102800 |
| 7 | Model Hr. Sec. School | Takyel | 102801-103300 |
| 8 | Wangkhei High School | Wangkhei Keithel Ashangbi | 103301-103600 |
| 9 | Nongpok Maheikol | Bhramapur Aribam Leikai | 103601-103900 |
| 10 | Keishamthong High School | Keishamthong Elangbam Leikai | 103901-104100 |
| 11 | Standard Robarth Hr. Sec. School | Canchipur | 104101-104620 |
| 12 | Lamlong Hr. Sec. School | Lamlong Bazaar | 104621-104920 |
| 13 | CC Hr. Sec. School | Konung Mamang | 104921-105420 |

**COMMON TEST - 2 ON 12/01/2020 (9:30 AM - 12:00 PM) — ANNEXURE-C**

| Sl. No. | Examination Centre | ADDRESS | ROLL.NO |
|---|---|---|---|
| 1 | GP Women College | Old Lambulane | 200001-200600 |
| 2 | TG Hr. Sec. School | Old Lambulane | 200601-201200 |
| 3 | Johnstone Hr. Sec. School | B.T. Road | 201201-201800 |
| 4 | DM College of Science | Thangmeiband | 201801-202450 |
| 5 | DM College of Arts | Thangmeiband | 202451-203150 |
| 6 | DM College of Commerce | Thangmeiband | 203151-203450 |
| 7 | DM College of Hindi Teacher's Training | Thangmeiband | 203451-203550 |
| 8 | DM College Teachers' Education | Thangmeiband | 203551-204000 |
| 9 | Modern college | Porompat | 204001-204500 |
| 10 | Brighter Academy | Checkon | 204501-204800 |
| 11 | CC Hr. Sec. School | Konung Mamang | 204801-205300 |
| 12 | Maharaj Bodhachandra (M,B.) College | Palace Compound | 205301-205700 |
| 13 | R.K. Sanatombi Devi Vidyalaya | Pangei | 205701-206500 |
| 14 | Imphal College | Airport Road | 206501-207050 |
| 15 | HRD | Ghari, Airport Road | 207051-207550 |
| 16 | Imphal Valley Academy | Ghari Awang Leikai | 207551-208850 |
| 17 | St. Anthony High School | Chingmeirong | 208851-209250 |
| 18 | COMET School | Changangei, Uchekon | 209251-209850 |
| 19 | Manipur College | Singjamei, Chingamakhong | 209851-210250 |
| 20 | ISOR | Canchipur | 210251-210550 |
| 21 | Model Hr. Sec. School | Takyel | 210551-211050 |
| 22 | Oriental College | Takyel | 211051-211400 |
| 23 | Nirmalabas | MG Avenue | 211401-211700 |
| 24 | Ibotonsana Girls Hr. Sec. School | Uripok | 211701-212200 |
| 25 | St. Joseph High School | Sangaiporou | 212201-212800 |
| 26 | Wangkhei High School | Wangkhei keithel Ashangbi | 212801-213150 |
| 27 | Nongpok Maheikol | Bhramapur Aribam Leikai | 213151-213450 |
| 28 | Imphal Public School | Canchipur | 213451-214050 |
| 29 | MEM Hr. Sec. School | Ghari | 214051-214350 |
| 30 | Temple of Learning | Canchipur | 214351-215050 |
| 31 | Standard Robarth Hr. Sec. School | Canchipur | 215051-215600 |
| 32 | Liberal College | Luwangshangbam | 215601-216400 |
| 33 | Keishamthong High School | Keishamthong Elangbam Leikai, | 216401-216650 |
| 34 | St. George High School | Wangkhei, Sagaipat | 216651-217350 |
| 35 | Lamlong Higher Sec School | Lamlong Bazaar | 217351-217700 |
| 36 | Millennium Institute of Sciences | Kwakeithel Mayaikoibi | 217701-218000 |
| 37 | The Eden Public School | Wangkhei Ayangpalli Road | 218001-218300 |
| 38 | Regular English High School | Kwakeithel heinou Khongnembi | 218301-218700 |